# কংলৈপাক্তা পোক্লিবা জীবশিংংসি কাঙগী থম্মোয় পাল্লি

**– কর্নেল ঐচ সরত (রিটাইয়র্দ) –**
**(তুংগী মীরোলশিংগীদমক কখোকচবা)**

কংলৈপাক্কী পুৱারীদা মীতৈগী য়েক্লবসি মীতৈনা ওইরক্লি। থায়না মমাঙঙৈদা নিংথৌ পাল্লিঙৈগী মতমদসু নিংথৌগী মচাশিং নিংথৌ খুভম মুন্নবগী মখোয় মশেল য়েক্লবদৌনা হাৎতোক্লবগী থৌদোকশিং থোকখি। মীচম মীয়াম্বু অঙকপা ফংনা ৱাহনখি। বৃটিশনা পানখিবা মতমদসু ঐখোয় মশেলগী মরক্তা লমহুইগুম্বা মী য়াম্না য়াওখি। ফূরুপ অসিগী ফগৎনবা খনবা মীদি য়াম্না তাঙখি। ইন্দিয়াদা নমদুনা পুনখ্রবা মতম অসিদসু মীতৈগী য়েক্লবদি মশীং খঙদনা হিংলি। মীতৈগী ঈজৎ থমদনা মীতোপ মচাশিংবু মপুনি খল্লিবা মীতৈগী য়েক্লবসি নোংম-নোংমগী হেনগৎলক্লি। ফূরুপ অসিগী ওইনা মসি অফবা খুদম নত্তে। কংলৈপাক্তা মীতৈদগী হেন্না চাউবা কনা অমত্তা লৈতে। মালেমসিদা হিংলিবা পূম্নমকসি মাগী মাগী ময়ূমদা খ্বাইদগী চাউবা মী অমমম ঙাক্তনি। মী খুদিংগী হিংবগী হকসি চপ মান্নে।

ঐহাক্না হায়জনীংবদি, মীতৈ ঐখোয় পূম্নমক্না য়াম্না অচেৎপা লিংজেল মান্ননা অমত্তা ওইনা কংলৈপাক চাওখৎনবা হোৎনসি। ঐখোয় মরক্তগী য়েক্লবা অমত্তা ওইহল্লোইসি। ঐখোয়গী য়েক্লবদি করপসননি। থবক শূনীংদবনি, লায়রবনি। কংলৈপাক অসি কন্নবা হোৎনদবা মখোয় ময়াম অদুনি ঐখোয়গী য়েক্লবদি। মে ৩, ২০২৩দগী ঙসি ফাওবদা চথরিবা লান অসিদা মরু ওইনা শরুক য়ারিবসি মরাইবক থীরবা ইচাশিং অদুনি। মখোয়না ফৈগাক ফৈনা মায়কৈ অহুমসি য়াম্না ৱানা ইরমদমসি ঙাক্লিবনি। মখোয়ননি কংলৈপাক্কী নিংথৌ ওইরক্কদবসি। মতমনা শোয়দনা অফবা, অহোংবদু পুরকখিগনি।

ঙসি ফাওবসিদা কুমজা ১৯৩৬তা নিংথৌ খুভম থাদোকখিবা King Edward VI (Great Britain) বু মালেমসিদা নীংশিংলি। নিংথৌ খুভমদগী হেনবসি মহাক্কী নুংশিবী Mrs Simpson অদু ওইখি। অসুম্না কংলৈপাক অসিদা অফবা নীংশিংনীংঙাই ওইবা থবক অমসুং ৱারী শুক্লে লৈতে হায়বা য়াই। মফমসিদা নুংশিবগী নীংশিংবা য়াবা ৱারী লৈতে। অদুনা মীনুংশি চেনবগী থম্মোয়সু মীয়ামদা য়াওরমদে। লমদম অসিগী মী অয়াম্বসি হৌরকফম কাউরি। হৌরকফম কাউখ্রবা মী অমত্তা হিংলম্বগী মমি ফাওবা তারোই। হৌজিক মীওইবগী পুন্সিগী মমল খঙদনা মফম কয়াদা অঙাং মচানা পোল্লাওবী শান্নবগী মওংদা চথরিবা, অয়েৎপা পীরিবসি নোংমদা পুং ২৪গী মনুংদা লোইশিনবা য়াবা দ্রামানি। কনাগী মতম্লো মাঙহল্লিবসি? মীহুৎ-মীরেমশিংদি লমদম অসি চাওখৎনবগী থবক মচা অমা হৌদোকপা ঙমদ্রে। মফম অমদগী মফম অমদা হঙ্গৎহন্দা চৎলগা মখোয়গী পুন্সি লেল্লি। মীচম মীয়াম্না মখোয়দগী করিসু অফবা অমত্তা উবা ফংলরোই। মীয়াম ৱাখল য়াম্না মুন্না খন্থবীয়ু হৌজিক হিংলিবা পুন্সি মহিংসি করম্বা মখলগীনো হায়বদু?

চীংয়া-তময়াদা লৈরিবা মীচম মীয়াম মে ৩দগী ঙসি ফাওবা ওন্থোক্লা ৱানা পুন্সি হিংলি। মীয়ামসু খঙবীরি, তাবীরি। অদুবু কথোকপগী পুকচেলগা লোয়ননা অৱাবা তারবশিংগী মতেং পাংবদি ইয়াও য়াওদে। পাউচেশিংগী লমায়দা ইকায়বা খঙদনা য়াম্না কেরগা গভর্ণরগা ফোটো নল্লগা য়াওবদি উরি। কনাদসু তাক্তনা, উৎতনা য়াম্না ৱানা হিংলিবা মখোয়দা দাইরেক্ট পীরবদি মপুগী থৌজাল ফংগনি। কনানসু করিসু পুরোই। অহেনবা ময়ামদু য়াম্না ৱানা হিংলিবা মখোয়দা কৎথোকপীয়ু। ইম্ফাল এরিয়াদা হিংলিবা মীয়ামগা, চীংয়াদা লৈরিবা মীয়ামগা হায়নীংঙাই লৈতনা পুন্সি মহিংসি খেন্নরে। কিলোমিটর ২৫দগী ৫০ ফাওবগী মনুংদা লৈরিবা মফমসিদা ওইরিবা মওংসি ঙক্লিংঙাই ওইরি।

ইন্দিয়াগী দেমোক্রেসি অসি য়াম্না মথোং চাদবা, চৎন-কাঙলোন লৈতবা, ফম্লাইবশিংনা তৌনীংবতা তৌবা, মীচম মীয়াম্বু করিসু লৈতনা উবা, মীওইবগী ৱাখল খনবা ৱাৎপশিংগী পোলিসি প্রোগ্রামশিং পাঙথোকপা সিষ্টম অমা ওইরক্লি। Abraham Lincoln না হায়রম্বা - "Democracy type of Govt. is for the people, by the people and of the people" দেমোক্রেসি হায়রিবা গভর্ণমেন্টদদি মীচম মীয়াম্না লৈঙাক ঙাকপনি। ইন্দিয়াগী অমসুং মণিপুরগী লৈঙাক্তবু মীয়াম্না হায়জবদা - মঙক কনবা, খুদোম্বী উৎপা, মুকখাইবা ফম্লাইবশিংনা করি ৱাফম্বু তাবগে? ইংলিসকী সেন্টেন্স অমা ফাওবা ইবা নৎত্রগা ঙাঙবা ঙমদ্রবা ফম্লাইবদগী ঐখোয়না করিসু অফবা পাঙথোরক্কনি খল্লুবা য়াদ্রে। শোয়রিবা অয়াম্বসি মীচম মীয়াম্ননি - মতিক চাদবশিংবু শেল লৌরগা ভোট থাদবদগীনি। অরানবা, চুমদবা থবক তৌরুরবদি ৱাবা তাবনি।

Scandinavian Countries হায়বদি Sweden, Denmark, Norway, Aland islands, Findland, Greenland and Iceland, Faroe Islands লৈবাকশিংদা দিফেন্স ফোর্স হায়বদি আর্মি, নেভি, এয়র ফোর্সেস অমত্তা থমদে। মখোয় লান পাম্বা ফূরুপ ওইদে। মখোয়সি মালেমসিদা খ্বাইদগী নুংঙাইনা হিংবা ফূরুপ ঙাক্তনি। সিটিজন পূম্নমকসি অমগা অমগা অদুক্কী মতিক থাজনৈ অমসুং য়াম্না নুংশি চান্ননা হিংমিন্নে। ঐখোয়গী খুন্নাইগী ওন্ন-তৈনবনি। ইন্দিয়াগী ওইনা কুমজা ২০২৩-২৪গী দিফেন্স বডজেট অসি লুপা ৫.৯৪ লাখ ক্রোরনি। মালেমসিদা খ্বাইদগী চাউনা দিফেন্স এক্সপেন্দিচরদা ফন্দ থাদরিবা য়ু এস এ অমসুং চাইনাগী মথংদা ইন্দিয়ানা অহুমশুবা রেঙ্কতা লৈরি। দিফেন্সতা অসুক য়াম্না লুপা ৫.৯৪ লাখ ক্রোর শীজিন্নরিবসি অফবা দিভেলপমেন্টকী খুদম নত্তে।

Scandinavian Countries দা পোল্ল্যুসন কন্ট্রোল য়াম্না ফজনা তৌই। বাইসিকল, ঈ-রিক্সোনচিংবা মখোল অমসুং মৈখু থোক্তবা গাড়ীশিং শীজিন্নে। হৌজিক মণিপুরদা চহী ১৫ হেল্লবা মখোল অমসুং মৈখু চেল্লবা দিজল ইঞ্জিনশিংগী গাড়ীশিং মশীং খঙদনা চেল্লি। কনানসু কন্ট্রোল তৌদে। লুপা ১০গী মমল পীরগা চেল্লিবা গাড়ীশিংনা মীয়ামগী হকচাংদা অকায়বা য়াম্না পীরি হায়বসি নীংশিংদ্রে। হান্নসু হায়জখ্রে, কংলৈপাক্তা শোয়দবা হীরম অমত্তা লৈতে। মসি শেমদোকপদা ঐখোয় পূম্নমক্কী ৱাখল অমসুং থবক চঙই। অফবা ৱাখল খন্দবা অমসুং অফবা থবক পাঙথোক্তবদি মী নত্তে।


হাওরুংবম ওংবী সরোজ

ঙসি কংলৈপাক্তা পাঙথোক্লিবা থবকশিং অসিবু ইস্যু অমত্তদা ওইরে, তীল-কাংনা ফাওবা তৌররোইদবা থবকশিং মনুংদা তূমিন্না পাঙথোক্লি। পুকচেল শেংনা লৈবাক্কী খল্লগা পাঙথোকপা থবক্তি ইয়াও য়াওদে। কাংদৌনা তূমিন্না ঈ চূপ্পা, মশা মশাগী খনবা, মহাক মঙাইরে হৈশিংবা, মঙোন্দগী হেনবা কনাসু লৈত্রে খঞ্জবনা পীক থল্লি। নশা নতোমতা ঈংনা চিক্লা খন্থজৌ - নহাক্কী লমচৎ-শাজৎ করম্বনো? নহাক্কী লাইরিক-লাইশু থাক্লা কদাই ফাওবা য়ৌই, নুংতিগী হিংলিবা পুন্সিদুদা করি করি অফবদি পাঙথোক্লি, কৎথোকপগী থবকশিং করি করি পাঙথোকখ্রবগে? ইতোমতা খন্থজবগী ৱাখলশিং লোইবা নাইবা নত্তে। কুকিশিংসি মখোয় মতোমতা অফবা ফত্তবা পূম্নমক্তু খন্থফম থোকই। পৃথিবী অসি মখোয়গী ওইরবসু পেঞ্জররোইদবা ফূরুপনি। মখোয়বু লমদম অসিদা লৈহনখিবসি য়াম্না চাউনা অশোয়বা প্লান অমনি।

কুকিশিংগী থৌওংনা ঐখোয়গী চাওখৎ লম্বেলদা অপনবা পীহনবদি অরানবা খোঙথাংনি। ঐখোয় পূম্নমক চাওখৎপা থবকশিং মীৎকুপ খুদিংগী পাঙথোক্লবা হোৎনগদবনি। ফত্তবদগী অফবা ওনখিবা মালেমগী ওইবা ৱারী অমত্তং ইজগে। য়াম্না শম্না, মরমদি - ইবগী অমসুং শাংনা পাবগী মতম মাঙহল্লোইসি। স্বিদেনগী Alfred Bernhard Nobel গী মনাওনুপা Ludvig Nobel কার এক্সিদেন্টদা কুমজা ১৮৮৮গী এপ্রিল ১২দা Cannes, France দা শিখি। এক্সিদেন্টদা শিখ্রিবদু Alfred Bernhard Nobel নি খল্লগা মালেমগী মী খুদিংনা হরাওখি। মহাক্তি খ্বাইদগী শাথীবা দাইনামাইট পুথোকপা মীওইনি। মহাকপু "MERCHANT OF DEATH" হায়না মীয়াম্না খঙনখি। দাইনামাইট পুথোকপগী মতেংনা মহাকসি মালেমগী খ্বাইদগী ইনাক খুনবশিংগী মরক্তা য়াওখি। মালেমগী পাউচে খুদিংনা মহাক শিবদা হরাওনবগী পাউ ফোঙলকপা অদু মহাক মশানা পাজখি। মহাক থম্মোয় শোক্লা নুংঙাইখিদে। দাইনামাইট পুথোকপগী ফত্তবা ফলদু মহাক্না অফবা মায়কৈদা পুশিন্নবগী নোবেল প্রাইজশিং - Nobel Peace Prize, Physics, Chemistry, Economics, Literature, Medicines নচিংবদা দিসেম্বর ১০ (মহাক্না লৈখিদবা নুমিৎ) দা চহী খুদিংগী পীরি। অসুম্না ঐখোয়গী খুন্নাইদা শোইরিবশিংংসি ঐখোয় পূম্বনা তপ্না তপ্না শেমদোকসি।

ঙসি পোলিটিকেলগী এঙ্গলদগী য়েংলক্লগদি খুন্নাইসি থুপচনখ্রে। মসি ইশাগী ওইবা পোলিটিকেল পার্টি অমা শেমহৌদদুনা থোক্লিবনি। হৌজিক শিনা হিংলিবা রিজনেল পার্টি অসিদি করিসু লৈতবা দুকান ভারা খোমদুনা মপুন্সি লেল্লি, অঙকপনি। মালেমগী অতোপ্পা মফম অমত্তদা অসিগুম্বা চাওখত্তবা থৌওংসি পাঙথোক্তে। মতম মাঙই, মীরেমশিংগী মরমদা ইবদা। হৌজিক ইন্দিয়াদা এম পি ৭৬৩ লৈরিবসিগী মনুংদা ৩০৬তি ক্রিমিনেল কেসশিংদা চেন্নরি। এম পি ৪৫৭তি কোর্ট কেসতা য়ৌদ্রি। ইন্দিয়াগী অঙকপা মখলগী দেমোক্রেসি সিষ্টম ওফ লৈঙাকনি। ক্রিমিনেল কেসশিংদা খ্বাইদগী মশীং য়াল্লিবা পোলিটিকেল পার্টিগী পোলিটিসিয়নশিংদি বি জে পিগী এম পিশিংনি। লোনা য়াদবা কয়া অমা মর্দর কেস, রেপ কেস, করপসনগী কেসশিংদা চেন্নবা কয়াসু এম পিশিং ওইরি।

হৌজিক মণিপুরদা থোক্লিবা পূম্নমকসি কনাদসু মরাল শীরোইসি। ঐখোয় পূম্নমক্না থৌশাদদুনা থোকহনবনি। কুকিনা সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেসনগী মওংসি বৃটিশ লৈরল্লিঙৈদগী তাল্লকখ্রবনি। ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টতসু কুমজা ১৯৪৯দা হায়জখ্রবনি। ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা য়ারকখিদবনি। ৱাফমশিংসি লৈঙাক্কী থৌ পায়রিবশিংনা করিগী ৱাখল তৌহৌবিদবগে? মীতৈ অহলশিংগী মরক্তা থাংখোপাও কিপগেনগুম্বা মীওই অমত্তা য়াওরমখিদে। মহাক্তি কুকি ফূরুপকী চাওখৎনবা, ফগৎনবা অঙম্বা থাক্তা হোৎনরকখি। কুকি ইনপি মণিপুর (কিম) গী ফাউন্দিং প্রসিদেন্টনি। মীতৈশিংগী মশাদা কাপশিল্লিবা মৈরিকশিংসি মহাক্না শেল্লম্বা মৈবুলদগীনি। য়াম্না নুংঙাইতে, ঐখোয়গী অহল লমনশিংসি তুংগী মীরোলগীদমক থোইনা খনবীরমদে।

মীতৈগী কম্যুনিতি হোলশিংদি চাক চাফম ওইরগা লৈরি। হাপ্তাগী, থাখায়গী, থাগী ওইবা চাওখৎ থৌরাংগী মীফম অমত্তা পাঙথোক্ত্রি। খৃষ্টিয়ান ধর্ম্মগী খ্বাইদগী ফবসি -ৱীকলি চর্চ সর্ভিস অসিনি। নুমিৎ অসিদা খুন্নাই অদুগী অফবা-ফত্তবা পূম্নমক খন্নরি। অঙাংশিংবু ত্রেন তৌবীরি। অফবা ৱাখল খনবগী, অপূনবা মীটিং অমা চয়োল খুদিংগী পাঙথোক্লি। শোইরকপা হায়বসি ঐখোয় মশেল পুন্নবগী ৱাখল খন্দবা, থবক ওইনা পুকচেল শেংনা পাঙথোকপা ঙমদবদগী থোক্লিবা ঙাক্তনি।

কংলৈপাকসিদা হিংলিবা মীতৈ চহী ১৫দগী ৭৫ ফাওবদা লৈরিবা পূম্নমক্না সেল্ফ দিফেন্সকী নোংমৈ শীজিন্নবা, কাপ্পা হৈতবা য়াদ্রে। মসিগী মরম মীয়াম্না ময়েক শেংনা লানফমদা উবিখ্রবনি। মীচম মীয়ামগী সিক্যুরিটি ওফ লাইফ অসি ঐখোয়না শিঞ্জরগা ওইজরে। লৈঙাক্না ঐখোয়গী পুন্সি ঙাকপীদ্রে অমসুং কনবীদ্রে। লৈঙাক অমা লৈবগী ৱাহন্থোক উখিদ্রবনি। লমদম অসিদা পোক্লুবগী পুন্সি অসি মফম মরাং খঙদনা হিংলি। অদুবু পূম্নমক অসি নমখায়রগা মালেমসিদা ঐখোয়গী ওইবা চপ চাবা মঙালদি ঙাল্লমগদৌবনি। ফত্তবা পূম্নমক্তগী লাপনা হিংসি।

ইম্ফাল এরিয়াগী লম্বী মনাক্তা শা-ঙা ঈহিং-নাহিং তৈরগা উফুল মরক্তা য়োল্লি। শা-ঙা অমসুং অতৈ চানবা পোৎশিংসু করিসু কুপ্তুনা উফুল, তীল-কাং, হয়িং মরক্তা য়োনবা উরি। য়াম্না অনহায়জিনিক ওইবা, লায়না পোক্কদৌবা ফীভমদা থল্লগা য়োল্লি। মসিদা শীজিন্নরিবা থাও, Condiment শিং, মোরোক্লচিংবসি হকচাংদা ফগদৌবা অমত্তা নত্তে হায়বদা থোইনা লাল্লোই। হৌজিক্কী মতমদা অঙাংশিংগী, নহাশিংগী বোদি ষ্ট্রকচর অমসুং এনাটোমি অসি ব্রোইলর য়েনগা চপ মান্নরক্লি। মসি খুন্নাইসিগী অফবা নত্তে। মখোয়সি লৈঙাক্কী লাইসেন্স লৌহনগদবনি। ফুদ পোইজনিংগী প্রোব্লেম লাকপদা কনানা থৌদাং লৌবীগনি?

মালেমগী সুপর পৱার অমা ওইরবা য়ু এস এবু উরু-ৱারু চারগা হিংলমখিবা Ho-Chin-Minh অমসুং General Giap না মায়থীবা পীখি। হৌজিক মীতৈগী বঙ্করশিংদুসু অদুম লৈজসনু। অনৌবা মখলগী ৱারফ্যের হোংসি। TRENCH WARFARE ওন্থোক্লগা মখোয় লোইশিনসি। পাউচেসিদা লান চথবগী মওং লোইনা ইররোই। লৌশিংনা মখোয়সি মায়থীবা পীসি। অপংবগা মরুপ ওইবা ৱাবনি। অশিংবগা য়েক্লবা ওইবনা ফবনি। পুন্সিগী মতম লেল্লিবা মীওইশিংদগী করিসু অফবা অমত্তা উবা ফংলরোই। পুন্সিগী মতমগী খোঙচৎতা ফত্তবা পূম্নমক অদুম লোইজখিগনি। থোইনা মীপাইনীংঙাই লৈতে। ইন্দিয়াগী দেমোক্রেসি অসি The Greatest Joke of the World হায়বদু ওইরক্লে। ওইদবা পংঙাঙ ঙাঙবনা অফবা অশিংবা শাবা য়াবা নত্তে।

ঙসি সেপ্টেম্বর ১৫, থাশি নুমিৎসি ঐহাক্কী খ্বাইদগী নক্লরকখিবী হাওরুংবম ওংবী সরোজনা লৈখিদবগী ২৮শুবা চহীগী নুমিৎনি। মীওইবগী মপোক্তা মতম্না হৌখিবসি খঙহৌদে। ইখঙ খঙহৌদনা মহাক্না তাইবঙপাল থাদোকখ্রবা মতুংদদি ঐহাক্কী পুন্সিগী লম্বীদি অমম্বগী অমম্বা ঙাক্তা ওইনা চৎলি। ওন্থোকপা মীওইবগী মপোক্লি। করি ওইগনি খঙদ্রবা মপোক্লি। ●

# আধার কার্দ য়াওদ্রবসু

**- খোইস্নাম ধিরেন মীতৈ -**

ঐসে ঐনি হায়নবা হোৎনবদা মীতৈশিংনা ৱারকপসে য়াম্না কুইরে। মসি ঐখোয়গী লৈঙাক্না, লৈঙাক্কী কর্ম্মচারি ওফিসর ময়ামসিনা হেক্তা লাক্লরবা হায়বদুগী মতানি। লৈঙাক্কী ওফিস অমদা ঐসে ঐনি হায়না তাক্লনবা হোৎনবদা আধার পুথোক্কদবনি। আধার য়াওরবসু ভোটর আই দি য়াওদবা য়াদে। ময়েক য়াম্না শেংবা ফোটো অমসু হাপকদবনি। বর্থ সর্টিফিকেটসু পুথোকপা তঙাইফদে। অদুগা ইস্কোল পাট্টা অনৌবা অমগা, মদুগী খাজনা থিদোকপগী চে অমগদি শোয়দনা য়াওগদবনি। চে ময়ামসি লোইনা শুরবা মতুংদা কোর্ট অমদা ঐসে ঐনি হায়না ৱাশকপগী এফিদেভিট অমা হাপ্লগা লৈকায়গী জেগেটেদ ওফিসর অমনা অমুক ঐসে ঐনি, লৈঙাক্কী থবক তৌদবা ঐনি হায়বা চুল্লে হায়রকপগী চেসু ৱাৎপা য়াদে। ঐবু ঐনি চুল্লে মশক খঙই হায়রিবা লৈকায়গী ওফিসরদুগী আই দি কার্দকী ফোটো কোপিসু হাপকদবনি। ঐসে ঐনি হায়বসি ঐখোয়গী মীতৈ ওফিসরশিংনা খঙননবা চে ময়াম থিবা কোইচেন চেল্লিঙৈদা ইচাগী স্কুল মীং চনবা নংনবা ও বি সী সর্টিফিকেট লৌবা ঙমহৌদে। অসিগুম্বা লৈঙাক্কী চৎনবী অমদি কর্ম্মচারি ময়ামগী থৌদৌসিনা মীতৈশিং অনাবা মী ওইখিবা কুইরে। লায়না অসি সেদ্যুল্ড ত্রাইব সর্টিফিকেট লৌবদদি মখোয়গী নিংথৌনা চে অমা ইরল্লগা অদুম চুল্লে হায়বা লৈঙাক্কী লোয়শঙনা খঙবীবনিনা এস টি কাঙবুদদি নাদবা লায়না ওইরে। মখোয়দা নারিবা অনাবসিনা মখোয়না হায়বমখৈ লৈঙাক্না তাবীবগী লায়নানি।



কুকিবু ওইরবদি এস টি নিনা নুংঙাইরে। চে-চাং অমত্তা য়াওদ্রবসু মণিপুরগী ইহান হানবা নিংথৌদু কুকিশিংনা ঙাকপী শেনবীদুনা লৈরকই হায়দুনা মখোয়গী নিংথৌনা হায়খ্রে। মখোয়গীদি আধারবু পায়রবদি মণিপুরদা লৈরকপা চহী লিশীং অনী শুরে হায়বগী চে ওইরে। মখোয়গী পুৱারীগী মচাক ওইবা নূঙগী য়ূম্বীশিং মণিপুরদা য়ুংখিবা চহী মরি-মঙারোমদি শুরে। নূঙগী য়ূম্বীদুগী মখোঙদা ইংলিস ময়েক্লা - ঙসিদগী চহী লিশীং অনীগী মতমদা য়ুংখিবা য়ূম্বী হায়দুনা... কুকিশিংগী মপা-মপুদি চহী লিশীং অনীগী মমাঙদগী হৌনা ইংলিস স্কুলদা মহৈ তম্লকপনীনা মখোয়গী পুৱারী ইংলিসতা ইদুনা লৈরম্মী। হৌজিকসু মখোয়গী মচাশিংনা ইংলিসতা অমুক ইথোকপা হোৎনরি। মীতৈশিংগীদি মণিপুরদা ইংলিস স্কুল লৈতবনিনা ইশাগী ময়েক, মীতৈ ময়েক্তা ইরগা থম্বীরম্মী। হৌজিকসু মীতৈ ময়েক্তা অদুম লৈরি। কুকিশিংনা হায়নীং হায়নীংবা হায়বদা মণিপুর লৈঙাক্লা সুম তূমিন লৈবদুদা মখোয়সি কোক বেরা লৈবগী অনাবা হেনজিনখিদুনা - কুকিশিং অসি মণিপুরগী অশেংবা য়েলহৌমীনি হায়দুনা ইন্দিয়া লৈঙাক্তা তাক্লুরে। ইন্দিয়াগী লাইরিক্তা কুকি য়াওব্রা য়েংলুবদা কুকি য়াওরমদবদৈ অমিট শাহনা সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেসন পীররোই হায়রকখ্রে। মসিদনি কুকিশিংনা নোংমৈ পঙকাপ্তা কাপ্লিবা। শোমদনা মীতৈশিংদি মণিপুরগী য়েলহৌমী অশেংবনি তাক্লবা চে চাং থিরিঙৈদা থা মরি হেনখ্রে। মসিদনি মীতৈশিংগী মমল য়াম্লবা থৱায় কয়া মাঙলিবা।

মীতৈগা কুকিগসি তাইবঙ মীওইবা ঙাক্তদি ওইরগা ৱাবগী মওংদি য়াম্না খেন্নে। হৌজিক কুকি নুপীশিংনা অহিং নুংথিল খাক্তনা মখোয়গী লম ঙাকপনি হায়দুনা লৈরিবসিদা ক্বা (তামুল) গা য়ু (দারু) গা ফংদবদগী য়াম্না ৱানরে হায়দুনা নেসনল মীদিয়া অমনা হায়খ্রে। অদুবু পাম্বৈ অমা তৌদুনা খুদক্কী ওইনা য়াংলি মহি অমদি গঞ্জানা মহুৎ শিন্দুনা শীজিন্নরি হায়বসিনা লৈকায়দা হায়নবা ৱানি। গঞ্জানা মহুৎ তশেংনবু শিনখ্রবদি নোংমৈ কাপ্পা শোয়দনা লেপ্পলগনি। মসিনা কুকি নুপীশিংগী থৌনানি। মীতৈ নুপীশিংগী ওইনদি (মৈরা পায়বীশিং) লম্বীদা লাকপা অসাম রাইফলসকী গাড়ীশিং খাল্লগা অশেংবা সিফাইরা, শাশিন্নবা সিফাইরা হায়দুনা শক্তাকচে (আই দি) য়েংবদা সিফাইশিং মথৌ নিংথিনা পাঙথোকপা ঙমদ্রে হায়দুনা নেসনল মীদিয়াদা পুমচাই চাইখ্রে। অসাম রাইফলসনা মীতৈগী মৈরা পায়বীশিং লম হেল্লি হায়দুনা উৎনবা হোৎনবদা ওন্নখিবদৈ মখোয়গী গাড়ী মনুংদা শাশিন্নবা অসাম রাইফলস য়াওই হায়বা ওইনা উৎখ্রে। মীতৈশিংনা কুকিখক্তা নত্তনা ইন্দিয়াগসু লান্থেংনরি। লৈবাক মচাশা - মীতৈগী অনাবা কোক্লবা, থৌনা লিংজেল হাপ্নবা ঙসিদগী হৌরগা মণিপুর লৈঙাক্কী লোয়শঙ খুদিংমক্তা চঙলকপা মীতৈদু আধার কার্দ য়াওদ্রবসু মশাগী পুরোন অনীগী মমিংদং হায়হল্লগা ও বি সী সর্টিফিকেট পীবিয়ু। মণিপুরবু মীতোপ্পা লাকচবা ঙমদনবা। ●

# লৈবাক লৈশা মাঙহন্দনা থম্নবা মহৌশা ইপা ইপুশিংগী লৌউ পথাপ অসি ঙাক্তুনা থম্বা য়াম্না মথৌ তাই : প্রো. এম সুমোরজিৎ

**- বিজয় লাইশ্রম -**

ঐখোয়না তুংগী মীরোলগী খল্লগা লৈবাক লৈশা অসি মাঙহন্দনা থম্বগা লোয়ননা মহৌশা ইপা ইপুশিংগী লৌউ পথাপ অসি ঙাক্তুনা থম্বা য়াম্না মথৌ তাই। লৌ খাওদোকখ্রবা মতুংদা ঐখোয়না লৌফমদা চরূ মৈ থাবা অমদি চরূখোক মৈ থাদোকখিবা অসিনা লৌফম অদুদা হান্না লৈরম্বা তীলশিং হয়েং পান্বীদা য়াম্না কান্নরক্কদবা ময়াম অদু মাঙখিবনা হার অসি অমুক হন্না মথৌ তারকই। থায়নগী ফৌ শংসংবা হায়বা ফৌ মখল অসি অহলশিংনা হার হাপ্তুনা অদুম থানরম্মী। ফৌ পান্বী অসিদা অয়াম্বা মতমদা তীল তাদে। নাপী ফজনা পেংথোকপীরগা পাম্ফেল হুন্দুনা থাবদা ফজনা হৌদুনা ফৌ পান্বীঅদু মপূং মরৈ ফাদুনা মহৈ য়াল্লগা ফৌ অদুম ফজনা লোকই। মাগী মচিঞ্জাক করিগুম্বা মথৌ তারকপা মতমদা ভর্মিকম্পোষ্ট হার অসি খরা চাইবসু য়াই। মদুনা লৈবাক লৈশাদা মাঙবা লৈতে হায়না সেন্ট্রেল এগ্রিকলচর য়ুনিভর্সিটি (সী এ য়ু) ইরোইশেম্বগী দিপার্টমেন্ট ওফ এগ্রোনোমিগী প্রোফেসর এম সুমোরজিৎনা ফোঙদোরক্লি।

পাউচে অসিগা অখন্নবা উনবদা মহাক্না মখা তানা, ঐখোয়না চাথোক হেন্না ফংনবনি হায়দুনা রসায়নগী হারশিং অমদি তীলহাৎ হীদাক কা হেন্না শীজিন্নরুবদগী লৈবাক অসি তপ্না তপ্না শিরক্তুনা কাইনথংদা লৌ অমদি অতৈ পান্বী, মহৈ মরোং থাবা য়াদবা লৌফম অমা ওইরক্তুনা মরুভুমিগী মওংদা লৈরকপসু য়াই। মদু থোক্তনবা ঐখোয়না লৌ অমদি অতৈ মহৈ-মরোং, মনা-মশিংগী পান্বী অমদি মরী চৎপা মহৈ চাবা য়াবা তুং কোইনা থাবা য়ানবা য়ারিবমখৈ কেমিকেল ফর্টিলাইজর অমদি রসায়নগী হার অসি শীজিন্নদনবা হোৎনগনি। পান, মাইরেল, তরব্বুজ, দশকুশ, কারোৎ, সেবোৎ অমদি খোংদ্রুম্নচিংবা মরী চৎপী পান্বীশিং অসি থাবদা হার হাপ্নদে। অদুবু ঐখোয়না য়োংচাক পান্বী থাবা মতমদদি মাগী মচিঞ্জাক অসি খরা হাপ্লে। পান্বী মখোঙ অদু তরূ-তনান্না থল্লগদি হার হাপ্পা য়ারোই। মরম অদুনা পান্বীগী মখোঙ অদুদগী ফিট অমরোম চখোল্লগা কোম মচা অমা তৌরগা ঐখোয়না ভর্মিকম্পোষ্টকী হার অসি খরা হাপ্পীবা য়াই।

অমরোমদা, ওর্গানিক ফার্মিং হায়বসি থায়নগী অহল লমনশিংনা রসায়নগী হার অমদি তীলহাৎ হীদাক থোক্ত্রিঙৈ মতমদা লৌমীশিংনা শীজিন্নরম্বা লৌউ পথাপ অদুবু ওর্গানিক হায়না কৌবা য়াই। তশেংনা মসিগী দিফিনিসন্দা করি হায়বগে হায়রগদি রসায়নগী হার য়াওদনা অমদি তীলহাৎ হীদাক য়াওদনা অকোয়বগা য়াম্না তোৎন-তিন্ননা থাবা পোথোকশিং অদুবু ওর্গানিক ফার্মিং প্রদক্সন হায়না খঙনৈ। মসিগী কান্নবা অসি ঐখোয়না তুংগী অমদি চারোল শুরোলগী য়েংলগা লমদম অসিগী হু চেন্দবা মহৈ মরোংশিং পুথোক্লবা হোৎনবনি। লোয়ননা অকোয়বগী খলসু কায়হন্দনা থম্নবা হোৎনবনি। চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা তোয়না মীয়ামদা উৎখিবা মরু ওইনা চীংগী উমং ৱামং কোকথোল্লগা দ্রগ শুংনবা ওপিয়ম পাক শন্না থারগা উ-ৱা হৌরক্তবা মদুগী অৱাবা চৈথেং হৌজিক ঐখোয় থেংনবা হৌরে। চীংদা উমং পাক শন্না কোকথোকপনা মরম ওইদুনা অঙৈং অশাগী খল কায়রক্তুনা শাবগী চাং হেনগৎলকপা, নোং চুবগী চাংসু হন্থরক্তুনা ঈশিং লৈতদুনা হৌখিবা চহী অনী/অহুম অসি লৌ পানবা য়াদদুনা লৌ পরি লিশীং কয়া মাঙদুনা লৈরি। তম্পাক্কী লৌফমশিংদসু অয়াম্বা রসায়নগী হারশিং অসি অদুম শীজিন্নরগদি হৌজিক অসি নীংথমথাগী মতমদা নাপী ফাওবা হৌবা ঙল্লক্তবা য়াই। মসিগী মরু ওইবা মরমদি য়ুরিয়া রসায়নগী হারশিং য়াওদ্রগদি লৌবুক্কী লৈরিবা লৈবাক অসি হীদাক ওইখিদুনা ফৌ পান্বীশিং হার হেন্না হাপত্রগদি পান্বীশিং হৌবা ঙল্লক্তবা অদুনা মরম ওইরগা লৈবাক লৈশাগী শরুকশিং ফৎলক্তবা অমদি শীজিল্লকপা অসিনি হায়রি। মহৌশানা পীবিরম্বা পান্বীশিং অসি শাহৌ ফনা হৌনবগীদমক্তা চঙদ্রবা য়াদ্রবা মচিঞ্জাক নুংশিৎতগী নাইট্রোজেন অসি চাদা ৭৮ য়াওই। মহিকশিং অসি মখল খরা লৈ।

লৈবাক্তা য়াওজরগা পান্বীগী মরাদা তাজরগা অদুম য়াওজরগা লৈবাক্কী লৈহাও অসি অদুম লৈহল্লকপা অসিনি। মখোয় অসি মাইক্রো ওর্গানিজম হায়রগসু অদুম খঙনৈ। মসি য়াম্না দিভেলপ তৌবগা লোয়ননা কৈথেলদা য়োনবসু হৌরক্লে। ঐখোয়গী লৌবুক্তা রসায়নগী হার অসি অসুম মখা তানা শীজিন্নরগদি লৈবাক অসি অমুক শিরক্লগনি। কান্নরবা মহিক মতাইশিং অসি হাৎলগদি লৈবাক অসি নোংমদি শোয়দনা মরুভুমি ওল্লক্লগনি। মরুভুমিদা পান্বী অমদি পোৎ চৈশিং থাবদা অমত্তা হৌবা ঙল্লরোই। মরম অদুনা লৌ উবদা শেন্দোং লৈত্রে হায়রক্লগনি। ঐখোয়না শেন্দোং য়াম্না ফংনবা হোৎনবদা তুংগী চারোল শুরোলগী য়েংলগা রসায়নগী কেমিকেল হার ময়াম অসুম শীজিন্নবদগী মীওইবগী হকচাংদা মখল মখা কয়াগী লায়না-তীলনা নারক্লিবা অসিনি।



অমরোমদা অমুক ঐখোয়না লৌবুকশিংবু চেক্কোনগী ইন্দষ্ট্রিনচিংবা ওন্থোরকপা অসি করিসু নত্তে, লৌ উবদা শেন্দোং লৈরক্তবা লোয়ননা লৌ শঙম অমা উনবা হোৎনবদা লুপা লিশীং ১৮/২০ ফাওবা চঙলকপা অসিননি। ঐখোয়না মুন্না খন্থরগদি চাবা-থকপগী থবক অসি য়াওদবা য়াদে। নোংমদা মী অমনা অনীরক চাক চাগদৌরিবনি। মরম অদুনা ফৌ অসি মরু ওইবা চিঞ্জাক অমা ওইবনা ঐখোয়গী লৌবুকশিং অসি য়েংলুরগদি কপনীংবা মওং অমদা লাক্লে। হার হেক য়াওদবা মতমদা পান্বীশিং অসি চপ হেক তিংলগা লৈবা, ফৌ পান্বী মচা পোকপা ঙমদবা, লোয়ননা ফৌ শাৎপা ঙল্লক্তবা অসিনি। অমরোমদা ফৌ কুইনা থারক্লবা লৌফমশিংদা হার য়াম্না হাপ্পনা মরম ওইদুনা লৈবাক অসি অসুম শিজিল্লকই হায়রি।

অমরোমদা, ইন্দিয়াগী ওইনা য়েংলগসু পেষ্টিসাইদ ওইরো, তীল হীদাকপু ওইরো লায়নাগী ওইরবসু নাপী হাৎনবগী ওইরসু হীদাক মখল ১১৪ অসি হৌজিক বেন তৌরক্লবনি। মসিগী মরমদি ঐখোয়গী অকোয়বদা হান্না লৈজরম্বা ফীভম লোইনা মাঙহল্লক্লে। ঈশিংদা, চাবদা য়াওখিবদগী মীওইবগী হকচাংদা য়াম্না শোকচিল্লক্লে। মদুনা হকচাংদা য়াম্না শাথীবা কেন্সর হায়বা লায়না অদু থোরক্লে। অমেরিকাদদি য়ুরিয়া অসি য়াম্না হেন্না মনা মশিং থাবদা হাপখিবদগী থা ৬ শুরবা অঙাংশিং শিবা য়াওনরে। রসায়নগী হার য়াম্না হাপখিবা পোৎশিং অসি থোংবদা চক চক লাওদুনা লৈগনি হায়রি।

**(আর্টিকল অসি অহুমশুবা এৱার্দ ইন সাইন্টিফিক জর্নেলিজম প্রোগ্রাম ওফ দি পব্লিক রিলেসন্স এন্দ মীদিয়া মেনেজমেন্ট সেল, সী এ য়ু ইম্ফাল, ডা. ইন্দিরা থৌনাওজম, ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি ওফিসর এন্দ হেদ পি আর এম এম সেলগী মখাদা ইজবনি। মখা তানা আর্টিকল অসিগী হেন্না খঙবীনীংলগদি ঈ-মেল : prmmcell@gmail.com দগী খঙবা য়াগনি)** ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।